# ৱারীমচা

## খূৎচপপি অমসুং খূং

*এল প্রেমচান্দ*

মওল-মওল খন্দুনা তুমিন্না ফম্লি মেমথোইবী। খল্লি ৱাখল কয়া, মাঙগী, হৌজিক্কী অমসুং তুংগী। মখোয়গীদমক হোৎনবদা মমা লুখ্রাবীনা কয়াদা ৱাজরিবা। য়ূম পানবগী মতম হেনখিগদৌরবী মঙোন্দা নোংমা মমানা হংখি, "ইবেম্মা, নঙবু খঙন-চান্নবকা অমতা লৈতব্রা? লৈরবদি ঐখোয়গীদমক করিসু খল্লুগনু। চাউনা হোঙবা ঙমদ্রবসু পাঙনা-শানবা পাঙথোকখ্রগা লোইরে। ঐখোয়না লৈরিবা ফীভম অসিদা হায়ন-শীংনবদি কনানবু লাকপিগনি?"

মেমথোইবীনা খুমখি, "ইমা ঐ য়ূম পাল্লরোই, ইপ্বা অহুমসি মী ওইনবা শেম্লিংঙি। হয়েং ইমা লৈত্রগা মখোয়বু কনানা য়েংবিগনি।"

"অদুম হায়নু, নুপা ঙাক্তনি, মখোয়না থোকপা তৌজখিগনি। মতম হেন্দোকখিগদরা হায়দুনা ইমা য়াম্না ৱায়।"

লৌনম চাউবা মহাক্না থাজবা পূম্বা মাঙহল্লমদুনা পুন্সিগী কাউঙল্লরোইদবা চৈনাখোল অমা পীরল্লগা চৎখিবা অদুমদি মেমথোইবী মমাদা অদুম্মক হায়দোকখিদ্রে।

নোংমা সবিতানা মঙোন্দা হায়খি, "হিংবগী দাবী, ইজ্জৎকী দাবী। ইজ্জৎকী দাবীদগী হিংননবগী দাবীনা হেন্না লুই। নঙসু খল্লু, হিংনবগী লানফমদা মায় পাক্রবা মীওই অমনা করম্না মশাগী ইজ্জৎ ঙাকপা ঙমগনি? মতমসিদবু তোল্ল-তারবা উপায় লৈজদ্রবশিংদু থৌজালহৈনা য়োকখৎপিবা মীশক কনা লৈরিবগে? ঐহাক নাক-য়েৎ কোয়না য়েংলগা ৱাখল কয়া খল্লবা তুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। ঐ ইপুরোইববু নুংশি। মহাক্না ৱাবসি উবদা ঐ য়াম্না ৱায়।"

সবিতানা হায়রিবদু মেমথোইবী মতমদুদা য়ানিংখিদে। লুনা তিন্নদুনা হৌমিন-কামিন্নরকপী সবিতাবু মপুরোইবা লৈনা-লৈনা অদুগুম্বা পাপকী লম্বী অদুদা খোঙ থাংজিলহন্নীংখিদে। অদুবু সবিতাগী ৱাহৈশিংদুনা তম্নলাই শাদুনা ঙসিদি মঙোন্দা তম্নররে।

মেমথোইবীগা থংনবা মৌপ্বাদু গ্রেজুয়েৎ পোষ্ট অমগী ইন্টর্ভিয়ু য়াওখি। ইমুংগী ওইরিবা ফীভম অদুদা মৌপ্বা নুপাদু থবক্তু য়াম্না তৌজনীংঙি। মচেনসু তৌহন্নীংঙি, মমানসু তৌহন্নীংঙি। অদুবু সরকারগী থবক অমা ফংনবগীদমক মখোয়গী করি শক্তিদি লৈরি? লুখ্রাবী মমানা কৈথেলদা এঙ্গাং-নাপী য়োন্দুনা চারাদং হেন্দনবা হোৎনরিবা ইমুংনি। মেমথোইবীনা খ্বাঙগী ফি-রোল খরা শাদুনা মতেং খরা পাঙবদুনা মৌপ্বাশিংবু লাইরিক-লাইশু তমহনবা ঙম্বগী ৱানি। লৈজরিবা সম্পত্তি হায়ববু পীক্লবা ইঙ্খোলদুগা ক্বাক মখোঙ পুখরবা য়ূম অদুগতনি।

মেমথোইবী মশানা মশাবু কাউথোকখ্রবগুম তৌরকই। মশানা মশাবু হেন্না খঙজরকপগুম অমুক তৌরকই। তপ্না-তপ্না মীৎলু পিরাং ঈহৌরকই। থম্মোয়দু ইনৌ নৌরকই। হায়খিবনি মঙোন্দা, "নহাক্তি ইনাক খুনবীনি।" কয়াদা হরাউখিবা মতমদুদা মেমথোইবী। পংথখি লৌনম চাউবদুগী জাদু পুরবা ৱাহৈদুদা।

অসুম খঞ্জিনবদুনা মকোক্তু চিক-চিক লাউরকই। হেন্না খঞ্জিলকলকই, মীমান্নবা ঙমজদ্রবা মনীং থুংজদ্রবা মৌপ্বাশিং, মখোয়গী কঙাউনরিবা পুন্সি। নৌথোক্লুরবা থম্মোয়দু অমুক তপ্না তপ্না কনশিল্লকই।

তপ্না চঙশিন্দুনা মশা চনবা মিংশেল মমাঙদুদা লেপ্লুই। অদুগা মশাগী ফীভম মুর্ত্তিবু কোক্তগী তোন ফাওবা য়েংথরকই। মিংশেলদা তারিবা মমিদুনা মঙোন্দা হায়রকপগুম তৌরকই,

"মেমথোইবী হৌজিকপু করি অমুক খল্লিবগে? নখোয় ইমুংগী উপায় অমখক্তংনি হৌজিক লৈরিবসি। নহাক্কুম্বী অমনা সমাজবু করিগী অমুক কিরুরিবা? সমাজসিনা নখোয়গীদমক করম্বা লাইবক অমা অমুক লেপ্পিরক্কদৌরিবা? নশাগী লাইবক নশানা শেমজবা তাই। নহাক্কী শক্তমসি উরেদনা? নঙবু কনানা নরল লৈতে হায়গদৌরিবনো?"

মেমথোইবী মমীৎ উইশিল্লি। অমুক উরকই লৌনম চাউবদু। মশাগী মরলদুদা নুংশিবা শাদুনা লাকখিবনি। অদুবু য়েক্লবনি। য়েক্লবা ওইনা অদুম্মক হনখি। মদুদা কৈদৌবা ঙমখি? কপচবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমখিদে। অদুবু হৌজিক্তি কপ্পগী মতম নত্তে। ৱারৌবগী নিংঙমদবগী মতমদুসু হৌখ্রে।

নুংশিদনা নুংশি শাশিন্নবগী, ওইজবা থিবগী পারা অমদি য়েক্লবদুনা তম্বিরল্লে। মেমথোইবী মমীৎ পাঙথোকই। মশাগী মমিবু মীৎ কুপ্তনা অমুক য়েংই। মাঙলুরে ৱাজরুবা মরল মশাদা অদুম্মক লৈজরম্মী। অমুক করিগী ৱারুগনি। মোমোন নোকই, অদুঙৈ মশাগী মমি য়েংজরগা নোকচবগুম মশাগী মরলদা মশাগী ফজবদা নোকচবগুম।

হেন্না ফবা কোক্কী লৈতেং অমা ফংগদবা লৈরবদি শম কক্তুনা য়োনবদা করিবু কায়বগে? শম কক্তুনা য়োন্নবগীদমক্তদি সবিতা লৈরি। মাগা তান্নবা তাই।

মথংগী অয়ূক্তা সবিতাগা উন্নরুই। মৌপ্বা নুপানা ইন্টর্ভিয়ু য়াওরুরিবা দিপার্টমেন্টতুগী কম্মিস্নারদু সবিতাগসু খঙনৈ হায়। তাঞ্জা য়াম্না চারে, কম্মিস্নার সাহেবতু ওইগী লমদাং ওইবীদা পঙথগল্লি তাকপিরকই। সবিতানা ফননবা লোয়না শীনবিরক্কনি হায়নসু হায়রকই।

সবিতানা শীন্দুনা কম্মিস্নার সাহেবকা মেমথোইবীগা উন্নখি। অমুকখক্তা নত্তে। চীং-লেম্লবা কম্মিস্নার সাহেবনা মেমথোইবীদা তাকপি, "নহাক্কী মৌপ্বাগী থবক শোয়ররোই। মদুতা নত্তে, ঐনা হেক ঙন্লিবমখৈ নহাক্কী অপাম্বা খুদিংমক পীগনি। ঐগী অপাম্বসু নহাক্না পীয়ু।"

কম্মিস্নার সাহেবতু মচীন থীদে। ইন্টর্ভিয়ু হায়দোক্লদুনা মৌপ্বাদু থবক কাবা হৌরে।

মেমথোইবী মঙাল নাইরকই। সঙ্গ চাউরকই।

চঙশিন্দ্রিঙৈনা চঙশিন্দ্রিঙৈনি। চঙশিল্লুরবদুদগীদি হন্দোক্লীংদ্রে। নুংঙাইরবা য়ূম, মরাঙ কায়রবা সম্পত্তি, অনৌবা মঙ কয়া মঙবা হৌরকই। কম্মিস্নারগা তান্ন-তান্নদুনা মীওই কয়া থবক হাপ্পা হৌরকই, মন্তর রোলদা, কেজুয়েলদা, রিগুলরদা। ট্রান্সফরগী হাবী-জাবীদসু খূৎ থাই। পাউচেশিংদা কম্মিস্নার সাহেবপু নৈনবা হৌরক্লবসু মেমথোইবীগী খোইরুম-মোমোন অমদা ইপঙ পঙথৈ কম্মিস্নার সাহেব। ৱানোম্বা মী লাকপা লেপ্তে মেমথোইবীগীদা। ওইসু ওইররোইদবা থবক্কীদমকসু পৈশাতবু মিকাবদগী লুপা মপুন-মপুন লৌশিনবসু হৈনরকই।

অকা-অকুম নাইবা মীওইবনি। কাবা হৈরবদি কুম্বসু হৈবা তাই। অদুবু কুম্বগী ৱাফমসিমদি মেমথোইবী খলহৌদে। হেন্না ৱাংনা কারগা কুম্বদা হেন্না লুই হায়বসিসু হৌজিক্তদা খঙলকই।

কুম্বগী মতাং লাক্লে মেমথোইবী। তত্তনা চাদুনা লাকপা এঙ্গাংগী মহাউ ওক্লদুনা অনৌবা মহাউ অমা তংনিংলকপা মতাংদুদা মঙোন্দগী হেন্না শকহেল্লবী অমগা থেংনখ্রে কম্মিস্নার সাহেব। মেমথোইবীগা উন্নবগী খুদোংচাবা পীখিদ্রে।

হৌজিক মেমথোইবীদা তারিবা দশা অসি থবক হাপ্পীয়ু হায়দুনা শেল পীবা লাকপগী মহুত্তা ঙমদ্রবনিনা হন্দোক্লো হায়বা ঙাক্তনি। মমাঙদা ফংখিবা পৈশাশিংদুসু য়ূম শেম্বদা অরূ-অহেনগী পোৎ লৈবদা অতৈ-অতৈ শীজিন্নবদা লোয়না চঙখি। খরা অমনা কম্মিস্নারগী খূৎতা লৈখি। মীদা য়েংল- য়েংলগা এক্তিং তৌবা হৌরকই মেমথোইবী। খরা শোনবদনা শাউজিল্লি। শাউনা লাকপদনা শিথশিন্নৈ। মীঙোন্দগী চাম্মদা তরা কারগা পুদুনা মেমথোইবীদা পীখিবা নহাদুনা মেমথোইবীগী য়ূমদা কুপ্লিবা জিজ্ঞশিংদু ফক্লগনি হায়রকপা মতাংদুদা মেমথোইবীনা খুম্মি, "শিংজমৈদগী কেরানি অমা কেন্সরনা নাদুনা লৈবা কুইরে। মহাক হেক শিবগা ওফিসিয়েতিংদা হাপ্লবা শোয়দনা তৌরগে।"

***(ৱারীমচা অসি এল প্রেমচান্দগী সাহিত্য একাদমী ফংখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক "ইমাগী ফনেক মচেৎ" তগীনি)***

## তাবুনুংদগী

*য়াউশঙ মতমদা চোংলিবা থাবল অসি হৌরকপগী ৱারী অসি মৈতৈগী লৈশেম-নোংশেমলোনগী ৱারী "ঔগ্রি হঙ্গেল চোংবা" হায়বা অদুদগীনি হায়না লৌনৈ। ঔগ্রি হঙ্গেল চোংবগী থৌরম অসি লৈশেমঙৈগী মপূং ওইবা ৱারী হায়বদি কোংলৌতোন লৌথিবনা শামদোন অয়াঙবা কৌবা শগোল ফাখিবা মতাংদা শকখিবনি হায়না লৌনৈ। ঔগ্রি হঙ্গেল চোংবদা শক্লবা ঈশৈ অদু ঙসিগী ওইনা তাবুংদগী লৌখৎচরি।*

হোইরৌ হয়া হয়া
ঔ করি ও কোনলো মালেম হৌঙৈগী কোনলো
লৈকা হৌঙৈগী কোনলো কোরৌ হৌঙৈগী কোনলো
… … … … …
লৌথিবকা কোনলো চাখানুপীকা কোনলো
খোংচোং নুপীকা কোনলো পুনুং থায়ে কোনলো
… … … … …
শমুতোন্না কোনেলো অয়াংপনা কোমলো
মরি নেৎথৎৱাকী কোনলো হৌনরকএ কোনলো
… … … … …
শমুতোন অয়াংববু কোনলো লৈপী কাংখুন লাংদা থুরে কোনলো
মুংপা তাচীন খুরৌ য়েৎনরে কোনলো
… … … … …
মতু মমান ফোয়না ৱাকল্লেদা কোনলো
শৌৱা তুকেনচীং ও থোন্নরমএ কোনলো
… … … … …
লাংচেং মরু থেৎসুং থেৎ তোকলে কোনলো
লাইসং চীংলাংমৈ থোন্নরম, কোনলো।

## মণিপুরী পাষ্ট্ৰে-পাঊরৌ, পাউতাক

- **কপ্লিংবদি লায়রদনা নোক্লিংবা।**
  - কপকদবা কাউরগা ওন্ন-তৈনবদা নোক্লিংবা।
  - লুনা খল্লুরগা লায়রম্বা।
- **কংলা মী মরু।**
  - মী অফবা।
- **কজিং কাবাও থোকপা য়াদবা ৱাফম।**
  - মী খঙহনবা য়াদবা অরোনবা ৱা।
- **কম্বী মথক্তা ঙৌবা লেপ্লেগুম।**
  - অৱাবা মৈচাক খাঙবা ঙাগুম।
  - য়াম্না ৱাবা উপায় অমতা লৈত্রবা মতৌ।
- **কম্বোংগা চুহীগা চাঙাংগা চম্প্রাগা।**
  - য়াম্না পক্লবা চুশিন-চাশিন্নবা পোৎ।
- **কৈবু কৈওইবা ননীং নমাঙ হোত্রোং হো নতু লৈমা কাং কোক।**
  - তৌরিবা থবক্তু করিমতা কান্নবা ফংলরোইদবা থবক ওইবা।
- **কপ্পা কপ্পা চাক চাবা ফত্তে।**
  - থৱায় নুংঙাইতনা চাবা চাক মচি কাদে।
- **কপ্পা হৈতবা মীগা তিন্নবা চেকশিন্নীংঙাইনি।**
  - থম্মোয় কনবা মী তিন্নবা লুই।
- **কল্লক মীহৌবগী ৱাখলনা লাইপু ওইদুনা লৈরবদি পুন্সি তেনগনি।**
  - ফত্তবা লৌশিং শান্নদুনা লৈবা মী পুন্সিগন্দে।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নীতি

- নোম্বনা লাইরববু, জপ না পাপ্পু, তুমিন লৈবনা খৎনববু, কাউথোক্তবনা অকিববু মাঙহল্লি।
- ফজমনবদগী সীতানা, নাপন তৌমনবদগী রাবণ না, দান তৌমনবদগী বলি না মাঙনখি, কা হেনববু মতম পূম্বদা থাদোক্কদবনি।
- অকনবা (অঙম্বা) মীদা অরূম্বা লৈব্রা? ললোনবা মীদা অরাপ্পা লৈব্রা? মহৈ হৈবদা মীরম লৈব্রা? নুংশিনা ঙাঙবা মীদা মীতোপ লৈব্রা?
- অফবা পাম্বী অমগী নুংশিবা লৈনম্না বন অমা শীন্থুংনা নুংশিহনবগুম্না অফবা মচা অমনা শাগৈবু চিংখৎলি।
- অকংবা উপাল অমনা মৈৱায়খ্রবদি বন পূম্বা তুম্না চাকহনবগুম্না ফত্তবা মচা অমনা শাগৈবু লোইনা চিংথৈ।
- মহৈ হৈবা অমসুং ধর্ম্মা লৈবা অফবা মচা অমা খক্তনা শাগৈ অমবু নুংঙাইহল্লি মদুদি থানা অহিংদা ওইবগুম।
- অৱা-অনা পীবা মচা ময়াম্না করি কান্ননি, শাগৈবু য়োকপা, থাঙ্গৎপা মচা অমখক্তনা হেল্লি।
- চহী মঙা ফাওবদি লুনা তৌগনি, মথং চহী তরাদি ৱারক ৱাতেমগনি, চহী তরাতরুক শুরবা মচাদি মরুপকুম্না লোয়নৌ।
- অৱাবা তাবদা, মীরৈবাক্না লান্দারকপদা, চাক তাঙবদা, অমসুং মবুক ফত্তবগা তিন্নবদা নাম্থোক্লবা তৌবদু হিংলবনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

**ঙসিগী পাউখোং ঃ**

| | |
|---|---|
| ৬৪. | অমিন নত্তনা লম ওনবা- |
| ৬৫. | ঈশিংদা পোকপা কংফালদা চাক্তাবা- |
| ৬৬. | ইঙ্খোল মতোন নোংমৈকাপ্পা- |
| ৬৭. | ইনিংতম্না হিংজগে থেংবিরকনু ইকায়জে- |
| ৬৮. | উরল্লবদি পুরল্লোয় উদদুনা পুরকপনি- |
| ৬৯. | কোন্না পোকপা হান্না শিবা- |
| ৭০. | কৌরুদনা লাকপা তাল্লুদনা হনখিবা- |
| ৭১. | খোইমুনা ঙংলিমখৈ থম্বাল শাৎপা- |
| ৭২. | থোংলগা চাদনা হুন্দোকপা এঙ্গাং- |

**মমাঙ নোংমাইজিং (১৭-০৩-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ**

| | |
|---|---|
| ৫৫. | মি। |
| ৫৬. | মী খাইবোক। |
| ৫৭. | কোঞ্জেং কোকফাই। |
| ৫৮. | থরোই। |
| ৫৯. | পান্নাও-শিংনাও |
| ৬০. | শঙ্গোম। |
| ৬১. | পয়া শিবা। |
| ৬২. | লশিং-লৈ। |
| ৬৩. | মোদোল্লে। |

## কান্ন-ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** শম লেক-লেক জুম-জুম নীংথিহনগে হায়রবদি?**

(ক) খ্রুং-খ্রুং লাউগনবা শম (ড্রাই হায়ার) বু লেক-লেক জুম-জুম লাউবী শল্লাং ওইহন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈদি চোরফোনদগী শুংবা থাউ (ওলিভ ওইল) শীজিন্নবনি। হৌজিক মতমগী অকে-অমৌগী পোৎলম য়োনবা দুকানশিংদা ইয়োন্দা-য়োন্নরিবা থাউ মখলনি 'চোরফোনগী থাউ।' অসি কোক্কী শমখোঙ মনুং য়ৌনা চঙখিনবা নীংথিনা মিনিট ৫-১০ চঙনা নোইদুনা তৈবীয়ু, অদুগা শম নীংথিনা পুনশিনবিরগা কংনা লুম্ফুং শাবা অথাবা টাৱেল অমনা কোক্তা য়েৎশিনবিরগা পূং অনীরোমদগী মতম থম্বিয়ু, অদুগা টাৱেলদু অমুক লৌথোকপিরগা কোক লুথোকপিগদৌরিবা শাম্পুদু অমুক শমখোঙ য়ৌনা চঙনবা নীংথিবা নোইবিরগা ঈশিংনা মহৌশাগুম থাদোকপিয়ু। থৌওং অসি পাঙথোকপিবদা কাউবিরোইদবদি, শমখোঙ চঙনবা শাম্পু হেন্না নোইবিদ্রিঙৈদা কোক ঈশিং চোৎহনবিদবা হায়বসিনি।

*** শম শঙবদা হকচাং নৎত্রগা ফি-রোলদা চুশিনখ্রবদি?**

হৌজিক্কী মতমদদি নুপী-নুপা অঙাং-অহল নাইদবা মীওই অয়াম্বনা কোক্কী শম মুনবা নৎত্রগা অতোপ্পা মচু থোকহন্নবা জাৎ-জাৎকী মচু শঙনবা অসি য়াম্না তৌনরে। মদুদা করিগুম্বা মচু অদুনা চুহন্নীংদবা হকচাংগী শরুকশিং নৎত্রগা ফি- রোলদা চুশিনখ্রবদি খুদক্তা ডেটোল মহী নৎত্রগা কোই কক্লবা মতুংদা তৈনবা মহী (অফ্টর সেভিং লোসন) তৈশীনবিহৌ, শোয়দনা কোক্কনি।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

## শৈরেং

### হয়িং খোংয়াম্বী

*– নিংথেম পিশক*

হয়িং খোংয়াম্বী!
হয়িং খোংয়াম্বী!
পাইরক্লেদনা কমদৌনি
তোংখ্রেদনা ভালভুক্তা।

পাইখ্রমাল্লে খল্লুবা
শরীক মখোল তাবদা
প্রসাদীদা অমুক তোংলরে।

তাল্লসিরা মসিবু
ওম্থোক্লা ফরক তাখ্রেদা।

মচীন মরৈনা শৎ-শৎ লেক
ও! লোইনা মাংথোক্লেদনা
অচা-চা
কয়াদা মচোংপাক নাইদ্রিবা!

### চাখুমগী মৈ

*– নাওরেম অমুয়াইমা*

ঙসিদি এঙ্গাং থুম য়াকএ
কাউদুনা অনীরক থাকখ্রবা জাৎলা
থোংবা হৈতবনা চাখুম চঙলুরবা
য়াকপনা খারে চাবা য়াদ্রে।

য়ূম্বুরেম্বী মীচৈ তারে
শোয়দবা ঙমদে মীওইবা হায়বসি
অদুবু য়ূম্বুনদি থীনা চৈবীরে,
ৱাবদি মানা ৱাজরিবনি
চাখুমগী মৈশা মরক্তা।

ঙরাংনা থুম ৱাৎপদগী
ঙসিনা থুম হেনবদগী
ঙা থোংবা মহাও খঙদ্রে
য়ূম্বুরেম্বী দোষা তারে।

থুমগী চাং চপ চারে
এঙ্গাং মহাও খঙলে,
খূবাক্তা মরৈনা শাংনা লেকনৈ
ইমুং মনুং মনিন নাইদ্রে
য়ূম্বুরেম্বী মায়থোঙ মকা লামখি।

থুমদি থাক্তবা য়াদ্রে
থুমগী মহাও হৈনখিবনা
অদুবু থুম হেল্লে ৱায়াম্মী
থুম ৱাৎলে ৱায়াম্মী
য়ূম্বুরেম্বী মথা শাই।

হন্দক মরকসিদি
থুম পংয়াক্তা য়াকএ
হুকপা য়াদ্রে খরী ওল্লে
করম্বা দুকানগী থুমনো খঙদ্রে
ইমুং মনুং মনিল নাইরে
চাখুমগী মৈনা য়ূম চাকএ।

### নিশা পুর

*– থৌনাওজম খম্বা*

চন্নদবা লৈতে, থৌরম খুদিং
কায়নবা থুংনবা, ইংদ্রবা কোক
মপারি শেৎনবা, মমোম কায়নবা
পাম্মু পুমকোক, থংলেন পুমহাং
মায় পাকপা মায় থিবা।
য়ৌনা মোৎলবা, য়ৌনা নাল্লবা
নিশাপুরগী ইবুংঙো ইবেম্মা কয়া
তাওথরি নিশাগী ঈচেন্দা
মীৎকুপ অমা কাংদা
মোংফম য়ৌনবা।
তেংথারি মশানৌ মাদি
খুদাং পিফম্বনা।

### মীদগী শা

*– কামিনিকুমার*

হেঞ্জিল্লকই নুপীদা চথবা মীওৎ মীনৈ
মীওইবগী লিচৎতা তুক্কৎচবা অহোংবা
শাদা য়াওবা লীচৎ অমা হিংচা য়াইতম্বা লীচৎ
চৎনরক্লে লীচৎ অদু মীওইবা মরক্তা।

করি তৌরবা জাৎনো মালেমসিবু
অসুক শাথিবা লীচৎ অমা
য়াওররিবসিবো ঐখোয়গী ঈ তোংদা
নৌরিবা তনৌ তনৌবা নাৱা য়াওনা
মথোৎ কারকপা পুন্সিগী
কল্লক্লবা মতৌ জীব পুম্বনা
পলেম পম্থৌ অনীগীনা
থৱায় ওইরিবা কয়াবু
শরাক তল্লবা মতুং লেপ্পা লৈতনা
মীহাৎতা হিংচা য়াইতম্বগী
পিখম্নরি খাংঙুথক্তা পুন্সি।

ওইথোরক্লি ওইথোক্লুরোইদবা কয়া
ৱারী লাইরিক, মমি কূম্মৈ,
ওইরম্বা কয়া
ওইরক্লি অশেংবা থৌদোক।

শোক্লবা অসি য়ৌনা
লৈখা তারবা লমচৎ শাজৎ
মমোম কায়নবগী মীকপ মীরাওখোলনা
নিল্লবা মায়কৈ পূম্নমক
থিল্লবা লৈবাক পুঙজাউ
লৈশিনবা য়াদ্রবা তুমিন্না
লৈবাক্কী মপু ওইরিবনা
থোক্তবা খোঞ্জেল অমা ফাওবা।

শাদগী হেন্না তোল্লবা মীওইশিংদুসু
পীদবা অহকপা চৈরাক
ওইরক্লিবা পূম্নমকসিগী মরু থিদোক্তুনা
পুথোক্তবা কোক্লবা উপায়সু
য়েংহৈদ্রে হঙ্গৎনা য়েংবদা
ঐখোয়না খূৎলিংলিবা ঐখোয়গী খুন্নাইসে।

### ইমা

*– ব্রজমোহন কোন্সম*

ঙসিতমক খঙলকই পাঙদ্রবা নচানা
নহাক্কী থৌজাল
নহাক্না চৎখ্রবা মতুংসিদা।

তম্বীরম্বা থম্বীরম্বা খুদোলশিং
তাকপীরম্বা লম্বী
মীমাঙ থাননবা।

খঙদদুনা মতমদুদা লৌহৌদরে
মমল য়াল্লবা তম্ফাগী খূদোলবু
চৎহৌদরে লম্বী মীমাঙ থানবু।

লৈরমদরে মতম
য়াওরমদরে পাঙ্গল
তাখিদৌরে নুমিৎতি
ঐনা খঙলকপা মীৎকুপ্তুদা
লৈহৌরে ঐহাক্তি তুংদমক থংদুনা
য়াম্না লাপ্পা।

### হন্দক্তি নঙনা মায় পাকউকো!

*– কে ইমো মৈতৈ*

ইরমদমগী পার্টিনি ইরমদম কন্নবনি
কান্নরোই অতোপ্পশিংদি ভারতকী য়াইফনবনি
য়াওদেএ মণিপুরগী য়াইফনবা লম্বীশিং
মেনিফেষ্টোদা ইরিবশিং লমদমসিগী নত্তেয়ে!

খঙজদবা লুচিংবশিং পুৱারী খঙদবনা
চিনশাংবা লমগী ষণশিংদা নুংশিরিএ
ইরমদম কল্লসি চৈশুদা নম্বীরো
থাজবিরো চৈশুবু ইরমদম কলহৌনবা!

চিন্দতা ফজবা লৌনম চাউবা ঙাক্তনি
পূম্নমক ওইনীংবা দলসু ওইজসনু
চৈশুনা পাঙ্গলনি থৱায়নি কাউবিরনু
লমদমসিগী প্রজা কলহৌরগে থোরকইবনি
থাজবিরুনু লমগী ষণজাউ চিনশাংবশিংদো!

থৌনা ফরবনি থাগৎলুবা কয়াদো
মীরমগী দলনিনা মরোলবু থোক্তেনে
অৱাইবা মার্কাশিংদা থাজবা থল্লগুমসি
ইরমদম চৈশুনা ঐখোয়বু কল্লগদরনে
পাইখৎলসে চৈশুবু য়েল্লসি ইরমদমসিদা!

মীপান তাংলগতা হিংলকখিদবা ইরমদমসে
মীয়াম লৈঙাক্লা মীপান য়াওদনা
হিংবা ঙমদবা ইরমদম ওইহনখিবা
লমদমসিগী ইকায় খঙদবা থৱায়শিং
মপা-মপুশিং হাৎঙম্বা লুচিংবশিং
ঙসিদগী মরু ফংনা মুখৎখ্রসি!

খঙহল্লসি ইরমদমচা খুদিংদা তাক্লসি
চৈশুসিনা ঙাক্লৌ ওইদুনা কলহল্লসি
রিজনেল পার্টিসিদা শৌগৎপনা ইথৌনি
লাওরসি খঙহল্লসি ইরমদমগী ইরৈচাশিংদা
থাদোক্লসি কাওথোক্লসি মীরমগী সীম্বোলশিংসে
হন্দক্তি নঙনা মায় পাক্লকউকো!

## চয়োলসিগী ফাগী

**অমম্বদা উদবা!!**

**ননাও** – দদা, দদা নুমিদাংদা নুমিৎ থোক্তেকো?
**দদা** – করি থোক্তনি, থোকইনা।
**নানাও** – ইশ! মচিন থীজিন্নেশে, থোকঅদি কৈদৌ উদ্রিবা?
**দদা** – বুদু, অপংসিদি, নুমিদাং অমম্বদুদা কমাই উদোইনো।

**লূ-নানবগী নম্বর মরি!!**

স্কুলদা পরীক্ষা থারুরগা হল্লকপা মচানা ময়ূম হেক য়ৌরকপগা মমাদা…
– মম্মা মম্মা ঐগী ফুরিৎ- খোঙ্গ্রাউকাশিংসে ফজনা শুদোকপিয়ু, ইষ্ত্রি ফজনা তক্লগা হয়েং স্কুল চৎনবা?
– করিগীনোনে সনা, ইচাদি পাখঙ ফারবনিনা লৈশাবীকা উনরুদৌ লৈবরনে?
– (খরা শাউরপ) মী' ক্লেসনদা লূ-নানবৈ নম্বর মরী পীনি হায়' নিনে।

**পোষ্ট ওফিসকী মথৌ!!**

পোষ্টমেন অমনা লাঙ্গোল চীং কাখৎলগা লৈবা য়ূম অমা তান্না য়াম্না ৱানা চৎলগা চিঠি অমখক থিল্লুই…
– অস! অদোমগী য়ূমসি য়ৌনবা হোৎনবদা কয়াদি ৱারে, চিঠিসি লৌশিনবিয়ু।
– করিগী অদোম্না অদুক ৱানা থিনবিরক্লিবনো! পোষ্ট ওফিসতা ওইনা হেক থাবিরকপা য়াবদুবু?

**কোলিং বেলগী মথৌ!!**

অয়ূক ঙন্তা ছিলচরগী বস তোংদুনা চৎখিগদৌবা অথাপ্পা খুঙ্গংদগী নুপা অমা ইম্ফালগী হোটেল অমদা লেক্লম্মী…
– ইবুংঙো, ঐ হয়েং ঙন্তা চৎখিগদবনি, অয়ূক ঙন্তা পূং ৪ কগী অদুৱায়দা শোয়দনবা খরা হৌদোকপিরকউকো?
–ফনি ফনি, কোল বেলদু হেক্তা খিংবিরকউ।